# ঙসি ইন্দিয়ানা ৭০শুবা রিপব্লিক দে পাংথোক্লি

## থৌরম অসিদা ইন্দিয়াগী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং উৎলি



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৫ঃ*

চহি খুদিংগী পাংথোকপগুম হয়েং থাংজ নুমিৎ, জনুৱারী ২৬তা লৈবাক অসিনা ৭০শুবা রিপব্লিক দে থৌরম অচৌবা মওংদা ইচঙথৌবা ৱাখলগা লোয়ননা পাংথোক্কদৌরি।

ন্যু দিল্লিদা হয়েঙ প্রসিদেন্টকী বোদিগার্দ, পার্সোনেল ২০০গী কেভালরি য়ুনিটনা ফজরবা অঙাংবা কোর্টশিং লিৎতুনা রিপব্লিক দে পেরেদগী ষ্টেজদা প্রসিদেন্টপু ঙাকশেন্দুনা পুশল্লক্কনি অমসুং জাতিগী ঈশৈ শকপা হৌনবা য়াথং পীগনি।

মালেমগী লূচীংবশিংনা শরুক য়ারিবা অমসুং মীওই বিল্লিয়ন ১.২৫কী লৈবাক অসিগী মফম শিনব–থুঙনা টিলিভিজনদা লাইফ ওইনা উৎকদৌরিবা রিপব্লিক দে পেরেদ অসিদা ইন্দিয়গী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং অদু উৎকদৌরি। মসিনা চহি অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা ষ্টেট ইভেন্ট অদুনি। থৌরম অসিদা লৈবাক অসিগী 'অহানবা' কয়া অদুসু উবা ফঙলগনি।

মহারাষ্ট্র, তামিলনাদু, অরুনাচল প্রদেসনচীংবদগী য়াওনা ইন্দিয়াগী মখল কয়াগী নাৎকী জগোইশিংনা হয়েং থৌরম অসিদা অয়েঙবশিংগী পূক্নিং শুমহৎকদৌরি।

সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সায়রিন রামাফোসানা ৭০শুবা রিপব্লিক দে পেরেদকী চীফ গেষ্ট ওইগনি। ১৯১৯দা জাল্লিয়ানৱালা বাঘতা থোকখিবা পাক্তব্লবা মীহাৎ 'জাল্লিয়ানৱালা বাঘ মসাকর'না রিপব্লিক দে পেরেদ অসিদা পঞ্জাবকী ওফিসিয়েল টেব্লুগী থিম ওইরি।

পেরেদ অসিদা থোইদোক হেন্দোক্লবা মশক্কী দ্যারদেভিল টিমগী শরুক ওইনা নুপী ওফিসার অমখক্তনা রাজপথদা মীৎ থক্লবা বাইক ষ্টন্টশিং উৎকনি, মসিগী মথক্তা নুপী ঙাক্তগী অসাম রাইফলস কন্টিজেন্টশিংনা লূচীংদুনা 'নারী শক্তি' উৎকনি। নেভি, আর্মি সাভিসেস কোর অমসুং সিগ্নেল কোরগী য়ুনিটকী কন্টিজেন্টশিং নুপী ওফিসারশিংনা লোয়নমক লূচীংগনি।

মশাগী চহি ৯০ হেল্লবা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (আই এন এ) ভেতরান ৪শু ইহান হানবা ওইনা রিপব্লিক দে অসিদা শরুক য়াগদৌরি। শরুক য়াগদৌরিবা ভেতরানশিং অসি মশাগী চহি ৯০দগী ১০০ ফাওবগী মনূংদা লৈবশিংনি হায়না মেজর জেনরেল রাজপাল পুনিয়ানা হায়রি।

৭০শুবা রিপব্লিক দে পাংথোক্লবগী পেরেদ অসিদা আর্টিলরি গন সিষ্টেম এম ৭৭৭ অমেরিকান অল্ট্রা–লাইট হোৱিটজরশিং, মেইন বেট্টল টেঙ্ক (এম বি টি) টি –৯০ উৎকনি। মসিদা মেদ–ইন–ইন্দিয়া অকাশ ৱিপন সিষ্টেমসু উৎকনি।

# পূলিস ওফিসার ৮৫৫ মনা পীদুনা ঈকাইখুম্নখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৫ঃ*

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী পূন্না পুলিস ওফিসার ৮৫৫পু মখোয়গী মথৌ পাংথোকপদা থোইদোক হেন্দোকপা থবকশিংগীদমক গভর্ণমেন্টনা রিপব্লিক দেগী নোংমগী মমাঙদা মনা পীদুনা ঈকাইখুম্নখ্রে।

মথৌ পাংথোকপদা পূন্সি কখোকখিবগীদমক মশা লৈখিদ্রবা তুংদা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী কনষ্টেবল ৩দা প্রসিদেন্ট'স পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি (পি পি এম জি) পীখ্রে। মখোয় অদুদি মোহম্মদ য়াশীন, বোরাসে দিনেস দিপক অমসুং জসৱন্ত সিংহনি। পার্সোন্নেল ১৪৬তা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি (পি এম জি) পীখ্রে। পার্সোন্নেল ৭৪দা প্রসিদেন্ট'স পুলিস মেদল ফোর দিস্তিংগ্যুইস সার্ভিস, অদুগা পার্সোন্নেল ৬৩২দা পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস পীখ্রে।

পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি ফঙলিবা পার্সোন্নেল ১৪৬ অসিগী মনূংদা সি আর পি এফ তগী ৪১, ওরিষ্যা পুলিসতগী ২৬, জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী ২৫, ছতিসগর পুলিসতগী ১৪, মেঘলয়া পুলিসতগী ১৩, উত্তর প্রদেসতগী ১০, বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সতগী ৮, দিল্লি পুলিসতগী ৪, ঝরখন্দ পুলিসতগী ৩ অমসুং অসাম রাইফল্সস অমসুং ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিসতগী ১–১নি।

মসিদা নত্তনা চহি অসিগী রিপব্লিক দেগী থৌরম অসিদা পার্সোন্নেল ৮৬তা ফয়ার সার্ভিস মেদলশিংসু পীখ্রে। ফয়ার সার্ভিস মেদলশিং ফঙলিবা পার্সোন্নেল ৮৬ অদগী মনূংদা পার্সোন্নেল ১৫দা প্রসিদেন্ট'স ফয়ার সার্ভিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি, পার্সোন্নেল ১৪দা ফয়ার সার্ভিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি পীখি।

পার্সোন্নেল ৭তা প্রসিদেন্ট'স ফয়ার সার্ভিস মেদল ফোর দিষ্টিংগ্যুইস সার্ভিস অমসুং পার্সোন্নেল ৫দা ফয়ার সার্ভিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস পীখি।

মসিদা নত্তনা রিপব্লিক দে থৌরম অসিদা পার্সোন্নেল ৫৮দা হোম গার্দ এন্দ সিভিল দিফেন্স মেদলশিংসু পীখ্রে। মসিগী মনূংদা প্রসিদেন্ট'স হোম গার্দ এন্দ সিভিল দিফেন্স মেদল ফোর দিষ্টিংগ্যুইস সার্ভিস পার্সোন্নেল ৮ পীখি অদুগা পার্সোন্নেল ৫০দা হোম গার্দ এন্দ সিভিল দিফেন্স মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস পীখি।

# আন্দমান এন্দ নিকোবরদা নেভেল এয়ার ষ্টেসনদা অপগ্রেদ তৌখ্রে



*পোর্ট ব্লেয়র, জনুৱারী ২৫ঃ*

আন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দসকী শিবপুরদা হৌজিক লৈরিবা নেভেল এয়ার ষ্টেসন (এন এস এ) অদু দোরনিয়র এয়ারক্রাফ, হেলিকোপ্টর অমসুং দ্রোন খরগী বেজ ওইবা য়ানবা হান্না লৈরিবা রনৱেদগী হেন্না শাংদোকহন্দুনা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা নেভি চীফ এদমিরেল সুনিল লনবানা আই এন এস কোহাসা কমিসন তৌবগা লোয়ননা অপগ্রেদ তৌখ্রে।

নেভেল এয়ার ষ্টেসন, শিবপুর অসি নোর্থ অন্দমানদা হেন্না কুপ্না য়েংশিনবা ঙন্নবগীদমক ফোরৱার্দ ওপরেটিং এয়ার বেজ অমা ওইনা ২০০১দা লিঙখৎখিবনি।

ম্যান্মারগী কোকো আইলেন্দশিংগা য়ান্না নক্লবা অমসুং ইন্দিয়াগী এক্সক্লুসিফ ইকোনোমিক জোন (ই ই জি)গী পাকচাওনা শন্দোক্লিবা অসিনা এয়ার বেজ অসি য়ান্না মরুওইবা এসেত অমা ওইহল্লি হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

মফম অসিদগী ওপরেট তৌবা সোর্ট–রেঞ্জ মেরিটাইম রিকন্নাইসেন্স এয়ারক্রাফ অমসুং হেলিকোপ্টরশিংনা ই ই জিগী ফিভম য়েঙশিনবা ঙম্মি, এন্টি –পোচিং মিসনশিং লোয়ননা ছর্স এন্দ রেস্ক্যু মিসনশিং পাংথোকপা ঙমহল্লি। নিতি আয়োগনা এন এ এস শিবপুরবু ঈথৎ অসিগী দিভলপমেন্ট প্লানগী অহানবা প্রোজেক ১ওইনা আইদেন্টিফাইদ তৌখিবনি।

# মুকেস অম্বানিনা ইন্দিয়াগী জেফ বেজোস নৎত্রগা জেক মা ওইবা পাল্লিঃ রিপোর্ট

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৫ঃ*



হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াদা য়ুজর ক্রোর ২৮বু অহেনবা শক্তি পীদুনা, মার্কেটতা লম্বা থেঙনরিবা টেলিকোম প্লেয়রশিংবু নমথরমদুনা জিওগা মায় পাক্লা থবক চত্থখ্রবা মতূংদা রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজ চিয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্টর মুকেস অম্বানিনা হৌজিক ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্টরনেট টায়কুন ওইরকপা পাল্লি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মহাক্কী জিওগী থবক্লা মাগী লৈবাক অসিবু অহোঙবা পুরকখ্রে। হৌজিক মহাক্লা জিওবু লোঞ্চ পেদ অমাওইনা শিজিন্নদুনা মখা তানা চত্থবা পাল্লি অমসুং ইন্দিয়ান জেফ বেজোজ নৎত্রগা জেক মা ওইরকপা পাল্লি হায়না দ ইকোনোমিষ্টনা মসিগী খ্বাইদগী নৌবা জনুৱারী ২৬কী এদিসনদা হায়রি।

টেলিকোম রিগুলেটরি ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (টি আর এ আই)গী মতূংইন্না হৌখিবা চহিগী নবেম্বর ফাওবগী মনূংদা ইন্দিয়াগী মোবাইল কষ্টমর বিল্লিয়ন ১.১৭ য়ৌখ্রে। রিলায়েন্স জিও মতোম খক্তনা অল্ট্রা –চীফ দাটা প্লানশিংগা লোয়ননা সবস্ক্রাইবর ক্রোর ২৮গী মেগা বেজ অমা শেমখ্রে।

টেক টায়কুন অমা ওইরক্লবগী মাগী অশা অসি টেলিকোমদা শেল তানবদগী হেন্দোক্লা মীৎয়েঙ থল্লি। আর আই এলনা হান্নানা তোঙান তোঙানবা থবকশিংদা শেল থাদখ্রে। জিও টিভি প্লেটফোর্মদা ক্রিকেট মেটচশিং অমসুং দিজনি ফিল্মশিং দিষ্ট্রিব্যুট তৌনবগী রাইটস লৈখ্রে। রিলায়েন্স জিও ইনফোকোমনা হৌখিবা চয়োলদা রিপোর্ট তৌখিবদা ২০১৮–১৯গী অহুমশুবা ক্বার্টরদা লূপা ক্রোর ৮৩১গী নেট প্রোফিট ফঙলে হায়খি।

# পাকিস্তাননা য়ু এ ই অমসুং সাউদি অরাবিয়াদগী বিল্লিয়ন ২ ফঙলে

*করাচি, জনুৱারী ২৫ঃ*



ইস্লামাবাদকী লেপ্তনা ময়েঙ তাথরক্লিবা ফোরেন করেন্সি রিজার্বসগী চাং মেনখৎপদা মতেঙ ওইনবা গল্ফ লৈবাক অনীনা বেলআউথ পেকেজগী শরুক ওইনা পাকিস্তাননা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ই)তগী দোল্লর বিল্লিয়ন অমমম ফঙখ্রে।

নক্লবা খোঙবু সাউদি অরাবিয়াদগী বেলেন্স ওফ পেমেন্টস শৌগৎপগী শরুক ওইনা পাকিস্তাননা দোল্লর বিল্লিয়ন ১গী ৩শুবা শেনফম ফঙলে হায়না লৈবাক অসিগী সেন্ট্রেল বেঙ্ক, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ পাকিস্তান (এস বি পি)না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মমাঙ শগোলশেন নুমিৎতা য়ু এ ইদগীসু দোল্লর বিল্লিয়ন ১ ফঙলে হায়না এস বি পিনা ফোঙদোকখি। তেঙবাং অদু গল্ফ নেসন অদুনা লাওথোকখিবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩গী তেঙবাং অদুগী অহানবা শরুক্লি।

হায়রিবা শেনফম অদু এস বি পি গভর্ণর টারিখ বজৱা অমসুং অবু ধাবী ফন্দ ফোর দিভলপমেন্টকী দাইরেক্টর জেনরে শাইফ অলসুৱাইদিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সহি তৌনখিবা এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা ফঙখিবনি।

অদুগা সাউদি অরাবিয়াগী তেঙবাং অদু হৌখিবা চহিগী ওক্তোবরদা রিয়াধনা য়াখিবা বেলেন্স ওফ–পেমেন্টস সপোর্টকী দোল্লর বিল্লিয়ন ৩গী বেলআউট পেক্কেজ অমসুং ফোরেন ইম্পোর্টশিংগী মতাংদা অতোপ্পা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩গী শেনফম অমগা পূন্না দোল্লর বিল্লিয়ন ৬কী বেলআউট পেক্কেজগী শরুক অমনি।

বেলআউট পেক্কেজ অমগীদমক আই এম এফকা ৱারি শান্নরিবা পাকিস্তাননা চিনাদগী শেনগী তেঙবাং অমসু ফঙখ্রবনি।

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ পাকিস্তানগী মতূংইন্না পাকিস্তানগী ফোরেন করেন্সি রিজার্ব অসি জনুৱারি ১৮, ২০১৯দা থা ৫৭কী মনূংদা খ্বাইদগী নেম্বা ওইনা সুপ্নগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৬.৬৩দা লৈরে হায়খি।

মসিগী রিজার্বস অসিনা পাকিস্তাননা থা অমমখাইগী ইম্পোর্টশিংগী শেন পীবা ফাওবা কোন্নফাত্তে।

লৈবাক অসিগী ফোরেন এক্সপেন্দিচর ৱাংবা অমসুং ইনকম নেম্বা, হায়বদি করেন্ট একাউন্ট দিফিসিত হায়না খংনরিবা অদুগী মরমদগী হৌখিবা চহি ২দা রিজার্বস অদু মখা তানা অসুম অসুম নেমথরকখিবনি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিবুননা হায়রি।

অবু ধাবীদা পাকিস্তান–য়ু এ ই এগ্রীমেন্ট সহি তৌনখ্রবগী মতূংদা ফোরেন ওফিসনা ট্বিট তৌরকখিবদা য়ু এ ইনা পীরকখিবা শেনফম অদুনা পাকিস্তানবু শেন–থুমগী তংদু–লৈতাবা ঙমহল্লগনি অমসুং শেন–থুমগী শীংনবশিং লাম্থোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

# য়ু এসনা চিনাগা দিল তৌনদবা ঙম্মিঃ ট্রম্প



*ৱাসিংটন, জনুৱারী ২৫ঃ*

চিনাদগী পুথোরকপ পোত্থোকশিংগী মথক্তা অৱাংবা ইম্পোর্ট টারিফ লৌবগী মাগী হৌজিক্কী পোলিসি অসিদা মহাক য়ান্না নুঙাই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে অদুবু ইন্টিলেচুয়েল প্রোপর্টিগীদমক য়েঙলগা মখোয়গী ট্রেদ দিল অমা তৌনবসু পাম্মী হায়খ্রে।

চিনাগা থেংনবদা ঐখোয়না তৌরিবশিং অসি ঐনা খনবদা অচৌবা শাফু অমা লৈরমগনি। অদুবু করি থোরকপগে হায়বা পূন্নমকতু ঐখোয়না উরগনি হায়না ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা হ্বাইট হাউসতা পাউমীশিংদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হায়খি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ৱারি শানবগীদমক মথঙগী চয়োলদা অৱাংবা থাক্কী চাইনিজ দিলিগেসন অমা লাক্কদৌরিব অদুগী মাংওইননা ফোদোক্লককখিবনি।

লৈবাক অনী অসিনা মার্চ ১ ফাওবগী মনূংদা মখোয়গী খেন্নবশিং লোয়শিন্নবা অরোইবা মতম অমা থাখ্রবনি। হৌজিক ঐখোয়না য়ান্না ৱাংবা তারিফশিং লৌরি। ঐনা খল্লি, চিনানা দিল অমা তৌনবা পামগনি। ঐখোয়নসু দিল অমা তৌনবা পামগনি।

ঐনা তসেংনমক্কীদদি নখোয়দা থমোয়শেঙনা হায়রবদা ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি পাম্মী ঐখোয়গী ট্রেজরিদা দোল্লর বিল্লিয়ন, বিল্লিয়ন, চিনাদগী বিল্লিয়নশিং য়াওনা চঙলক্লি। করিগুম্বা ঐখোয়না দিল অমা তৌনবা ঙম্বা তারগদি ইন্টিল্কেচুয়েল প্রোপরটি, থেফ্‌ট, ঐখোয়না ঙাংলিবা অতৈ হিরম পূন্নমক্কী মতাংদা য়ান্না ফগনি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হায়খি।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিয়োনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা য়ান্না ময়েকশেংনা হায়খ্রে ঐখোয়না থবকশিং চুন্না অমসুং য়ান্না ফজনা তৌবা পাম্মী অদুবু অতোপ্পা নকন্দগীসু মদুগা মান্নলা তৌরকপা পাম্মী।

চাইনিজ ৱার্করশিংনা ফঙলিবা খুদোঙচাবা অদুগা চপ মান্ননা অমেরিকান ৱাকরশিংনসু ফঙহন্নবা ঐখোয়না এগ্রীমেন্ট খরা পাম্মি হায়খি।

ঐখোয়গী কম্পেনিশিংবু মখোয়গী ইন্টিলেচুয়েল প্রোপরটি হুরানখিবা য়াবগী খুদোঙথিবা লৈহন্দনা নৎত্রগা মখোয়গী টেক্নোলোজিবু নমদুনা চাইনিজ গভর্ণমেন্টতা ফোঙদোকপা লৈহন্দনা পোত্থোকশিং চিনাদা য়োনবা পাম্মী হায়না ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিষ্টর পোম্পিয়োনা হায়খি।

# মেক্সিকোদা শিখিবা ১০৭ য়ৌখ্রে

*মেক্সিকো সিটি, জনুৱারী ২৫ঃ*

ময়াই থঙবা মেক্সিকোদা ফুয়েল পাইপলাইনদা শাথিনা মৈ চাক্কুনা পুকখাইখিবা অদুদা শিবা মীগী মশীং ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা ১০৭ য়ৌখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখ্রে। হৌখিবা চয়েলদা পোকখাইখিবদা মী ৪০ অমগসু শোকখিবনি।

চয়োল অমগী মমাঙদা হিদেলগো ষ্টেটতা গেসোলিন পুবা পাইপলাইন অমদগী গেসোলিন হুরান্নবা অতম্বনা পাইপ হুৎতোকপদা মী চা কয়া ফুয়েল অদু লৌনবা য়োমশিন্নরিঙৈদা মৈ চাক্কুনা পোকখাইরকখিবনি।

GAS TODAY

**Athokpam Indane**
Booking : 08/12/18
Valid : 01/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Delivary on 27/01/19

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 24/11/18
Sl. No. : 2460
Valid : 20/11/18
Sl. No. : 1951
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m
Delivary on 27/01/19

# টালিবাননা কো–ফাউন্দরবু য়ু এসকা ৱারী শান্নবগী মকোক থোঙবা নেগোসিয়েটর হাপখ্রে

*কাবুল, জনুৱারী ২৫ঃ*

অফগানিষ্টানদা থোক্লিবা চহি ১৭কী লান লোয়শিন্নবগী পান্দমদা য়ু এস ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌনা ৱারী শান্নরক্লিবা দোহাদা তালিবাননা মফম অসিদা লৈবা মখোয়গী পোলিটিকেল ওফিসকী অনৌবা মকোক অদু ওইনা মুভমেন্ট অসিগী কো–ফাউন্দর অমবু হাপখ্রে।

থোইদোক হেন্দোক্লা ঈকাই খুম্নরবা মুল্লাহা অবদুল ঘনি বরাদরবু পোলিটিকেল ওফিস অদুগী চীফ হাপখ্রে হায়না ঙরাং শগোলশেনগী অথেঙবদা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা টালিবান ৱাঙাংলোই জবিউল্লাহ মুজাহিদনা হায়খি।

খোঙথাং অসি য়ু এসকা চত্থরিবা ৱারী শানবগী খোঙচৎ অসি কনখৎহন্নবা অমসুং নিংথিজনা ৱারী শান্নবা লৌখৎপনি হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাখি।

লালহৌবশিং অসিনা দোহাদা য়ু এস ওফিসিয়েলশিংগা থঙন–থঙননা নুমিৎ মরীনি ৱরী শানরকখ্রে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখিবগা, মহাক্কী ৱারোল অসি লাওথোকখিবনি।

ইরাই নুমিৎতসু ৱারি শানবদু চত্থখিব্রা হায়বদুমদি খুদক্তা শেঙনা খঙবা ঙমদ্রি। এনালিষ্টশিংনা ৱারী শান্নবগী মতম অদু মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদবা অমনি হায়রদুনা শান্তিগী ৱারী শান্নবগী লম্বী পীবা ঙমগদবা এগ্রীমেন্ট অমা তৌনরবা য়াবগী অশা হেনগৎহনখ্রে।

টালিবানগী মীহুৎশিংগা য়ু এসকী অফগানিষ্টান এনভোয় জলমে খালিলজাদকা কতারদা ৱারী শান্নবদুগী মতাংদা ৱাসিংটননা মত অমত্তা ফোঙদোক্লককখিদ্রিবনি।

সনা–সুদোকু –২৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 5 | 9 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 |
| 4 | 1 | 6 | 3 | 2 | 5 | 9 | 8 | 7 |
| 8 | 9 | 2 | 6 | 7 | 4 | 5 | 1 | 3 |
| 2 | 4 | 3 | 1 | 9 | 6 | 8 | 7 | 5 |
| 9 | 8 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 | 3 | 6 |
| 6 | 5 | 1 | 8 | 3 | 7 | 2 | 4 | 9 |
| 5 | 2 | 8 | 7 | 6 | 3 | 4 | 9 | 1 |
| 7 | 6 | 9 | 4 | 1 | 8 | 3 | 5 | 2 |
| 1 | 3 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 6 | 8 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-25**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | 9 | 2 | 3 | 1 | | |
| 4 | | | | | 7 | | 3 | 5 |
| | 1 | 7 | | 4 | | | | 2 |
| 2 | | | | 1 | | 7 | | |
| | 6 | 1 | 7 | | | | | |
| 7 | | | 6 | | | | | 1 |
| 1 | | | | | 9 | 4 | 2 | |
| | | 2 | | 6 | | | | 7 |
| | 7 | | | 3 | | | 6 | |

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 127/SDC/P of 2019*

1. Achom Gopal Singh S/O (L) Babu Singh of Khurai Sajor Leikai.
2. A. Binoy Singh S/O (L) -do- of -do-.
3. A Petaraj Meetei S/O (L) Tomba Meetei of -do-.
4. A. Inaobi Singh S/O (L) Babu Singh of -do-.
5. A. Bobby Singh S/O (L) -do- of -do-.
6. A. Pari Meitei S/O (L) -do- of -do-.

***- Petitioners***

***-Verses-***

Achom Babu Singh S/O (L) Dharma Singh of Khurai Sajor Leikai.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 24/1/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 15-Khurai Sajor Leikai গী Patta No. 15, 276 (অরিবা) 8/1202 (অনৌবা) C.S. Dag No. 408/1413 an area 0.1233 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/BILL(L)/26(g)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 128/SDC/P of 2019*

1. Achom Gopal Singh S/O (L) Babu Singh of Khurai Sajor Leikai.
2. A. Binoy Singh S/O (L) -do- of -do-.
3. A Petaraj Meitei S/O (L) Tomba Meitei of -do-.
4. A. Inaobi Singh S/O (L) Babu Singh of -do-.
5. A. Bobby Meitei S/O (L) -do- of -do-.
6. A. Pari Meitei S/O (L) -do- of -do-.

***- Petitioners***

***-Verses-***

Achom Babu Singh S/O (L) Dharma Singh of Khurai Sajor Leikai.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 24/1/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 15-Khurai Sajor Leikai গী Patta No. 179 (অরিবা) 12/1255 (অনৌবা) C.S. Dag No. 404 an area 0.05 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/BILL(L)/26(h)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 123/SDC/P of 2019*

Oinam Dijendro Singh S/O (L) O. Ibo Singh of Soibam Leikai Old Checkon.

***- Petitioner***

***-Verses-***

Co-Pattadar No.(1) O. Ibochouba Singh S/O (L) Ibo Singh of Khurai Soibam Leikai.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 24/1/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. 352 (অরিবা) 126 (অনৌবা) C.S. Dag No. 212 an area 2.22000 acre of Phourel Class লম অসিগী Co-Pattadar No 1 (one) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 (one) গী মহুত্তা মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/BILL(L)/26(e)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 124/SDC/P of 2019*

Oinam Dijendro Singh S/O (L) O. Ibo Singh of Soibam Leikai Old Checkon.

***- Petitioner***

***-Verses-***

Oinam Ibochouba Singh S/O (L) O. Ibo Singh of Soibam Leikai.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 24/1/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. 230 (অরিবা) 241 (অনৌবা) C.S. Dag No. 240 an area 0.067 acre of Anganphou Class লম অসিগী Co-Pattadar No 1 (one) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 (one) গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/BILL(L)/26(f)*